# ওষ্ট্রেলিয়ানা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা ন্যু জিলেন্দগা ফাইনেল থেংনরগনি




দুবাই, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি শান্নবা আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি য়ু এ ঈগী সিটি দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই সী সী টি-২০ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌবদা পাকিস্তাননা অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি। পাকিস্তানগী মায়কৈদগী রিজ্বান অমদি কেপ্টেন বাবর অজমনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা ওভর ৯ ফাওবা শান্নরকপদা রন ৭১ লৌরগা লৈরিঙৈ ১০শুবা ওভরগী ৬শুবা বোলদা বাবর অজম বোল ৩৪ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ফাকর জমান অমসুং রিজ্বাননা ইন্নিংস মখা তারকপদা অপূনবা স্কোর অদু ১৪৩ ফাওবা পুখৎলমখি। ওপনর রিজ্বান ১৮শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা বোল ৫২ মায়োক্লবদা য়াম্না ফজবা মওংদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌদুনা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা অসিফ অলি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। লোয়ননা ৫শুবা বেটসমেন সোয়ব মালিক রন ১দা আউট ওইখি। অদুবু ৩শুবা বেটসমেন ফাকর জমান ইন্নিংস লোইবা ফাওবা আউট ওইদনা শান্নবা ঙমদুনা বোল ৩২দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৫ লৌদুনা পাকিস্তানগী অপূনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৪দা রন ১৭৬ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্কনবা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৬৭ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ওপনর অরোন ফিন্স রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মখা তারকপদা অতোপ্পা ওপনর দেভিদ ৱর্নর অমদি মিচেল মার্সনা রন ৫২ ফাওবা পুখৎলকখি। মার্স রন ২৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ষ্টিভেন স্মিথ রন ৫দা আউট ওইখ্রবা মতুং দেভিদ ৱর্নরসু রন ৪৯দা আউট ওইখি। ৱর্নরগী মতুংদা চঙলকখিবা গ্লেন মেক্সৱেল রন ৭তা আউট ওইখ্রবা মতুং ৬শুবা অমদি ৭শুবা বেটসমেন মার্কস ষ্টোইনিস অমদি মেথিয়ু ৱেদনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪০ অমসুং ৪১ লৌরগা ১৯শুবা ওভরদা রন ১৭৭ লৌদুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

# রবিচন্দ্র য়াওখ্রে, দিনাচন্দ্রনা ওল্টর্নেট ওইনা থমখ্রে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৮গী মমিং লাউথোরকপদা মণিপুরগী মোইরাংথেম রবিচন্দ্র য়াওখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মণিপুরগী শান্নরোয় মোইরাংথেম দিনাচন্দ্রনা ওল্টর্নেট প্লেয়র ওইনা হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি লাউথোকখিবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট অদুদা থমখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা বিবেক সাগর প্রসাদনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অদুগী কেপ্টেন ওইগদৌরি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা অজের্ন্টিনাগী কোনুং বুইনোস আইরেসতা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী চহী ১৮ মখাগী টিমনা সিলভর মেদল ফংলকপা অদুদা শরুক য়াখিবা সঞ্জয় টিম অসিগী ভাইস কেপ্টেন ওইগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী সেলেক্সন ট্রায়ল অদু ঙরাং পাঙথোকখিবনি। অদুগা শান্নরোয় ১৮গী লিষ্ট অদু ঙসি হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাদোরকপনি। নভেম্বর ২৪দগী হৌরগা দিসেম্বর ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অসিদা হৌখিবা এদিসনদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। মদুগী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌননবা অতোপ্পা লৈবাক ১৬কী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনগদৌরি।

শান্নরোয় ১৮ অদুদি, সর্দানন টিৱারি, প্রসান্ত চৌহান, সঞ্জয়, সুদিপ চিরমাকো, রাহুল কুমার, মনিন্দর সিংহ, পাৱন, বিষ্ণুকান্ত, অনকিট পাল, উত্তম, সুনিল জেতাজো, মঞ্জিৎ, রবিচন্দ্র মোইরাংথেম, ভিবেক সাগর প্রসাদ, অভিশেক লাক্রা, য়সদিপ, গুর্মুখ সিংহ অমদি অরাইজিৎ সিংহনি। দিনাচন্দ্র অমসুং বোবিনা ওল্টর্নেট প্লেয়র ওইনা থল্লি।

# পদ্মশ্রী এৱার্দী ওইনাম বেমবেমবু অম্ফানা তরাম্না ওক্তুনা ইকাই খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা ঙসি পোলোগ্রাউন্দদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা হন্দক্তা স্পোর্টসকী ফিল্ডদা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নরকখ্রবী নুপী ফুটবোল্লর ওইনাম বেমবেমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।




তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোই, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমা, অম্ফাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. ৱাইনন্দবির অমসুং ঐচ মেঘচন্দ্রনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা পদ্মশ্রী ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না ঙসি পদ্মশ্রীগী মনা ফংবা ঙম্নক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নুংশিবীবা অমদি মহাকপু তাকপী তন্বীরকখিবা ওজাশিংগী মপান্ননি। মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা অয়েৎপা কয়া থেংনরক্কনি। অদুবু অয়েৎপশিং অদুনা ইশাগী ৱাখল হোংহন্দনা ঐনা পাল্লিবা গোল অদু য়ৌনবা হোৎনরবা মতমদা মায় পাকপা ঙমগনি। অহানবগী ওইনা মহাক্না অর্জুনা এৱার্দকী এপ্লাই তৌবা মতমদা থংন-থংননা অনীরক রিজেক্ট তৌরকখি। অদুবু অহুম্লক শুবদা মহাক অর্জুনা এৱার্দী ওইখি। মরম অদুনা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা কৈদৌনুংদা নীংহন্নবা তৌরোইদবনি হায়না ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী চহী নৌরিবী শান্নরোয়শিংদা হায়খি।

## রাহনেনা ইন্দিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইরগনি

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): টি-২০ ৱর্ল্ড কপতা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা য়ূম্বু ওইরগা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজকী অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা অজিনক্যা রাহনেনা কেপ্টেন ওইরগনি। মহাক্কী সিনিয়র ওইরিবা ভিরাট কোহলি অমসুং রোহিট শর্ম্মা কানপুরগী টেষ্ট মেটচ অসিদা য়াওরোইদৌরি। বি সী সী আইনা লাউথোকখিবা অমদা টি-২০গী ওইনা রোহিট শর্ম্মনা কেপ্টেন ওইরগনি। অদুবু রাহনেনা ভিরাট কোহলিগী মহুৎতা অহানবা টেষ্ট অসিদা কেপ্টেন ওইগদৌরিবনি।

## 'মণিপুরদা দোমেষ্টিক হোক্কী টুর্নামেন্ট হৌরগনি'

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মতম শাংনা মণিপুরদা হোক্কীগী টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লদ্রবা মতুং অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়না মণিপুর হোক্কীগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট ওলিম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবনা ঙসি পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট ওইরিবা কে এস ঐচ থোইবনা মখা তাখিবদা, ইন্দিয়াগী নেসনল কেলেন্দর লৈরিবা অসিগা ইরোয়নন্না মণিপুরদসু হান্না লেপ্লুরবা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অহানবা ওইনা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টুর্নামেন্টনা হৌগদৌরি। অতোপ্পা মশান্নশিংদা স্পোন্সর পীবীবগুম্না হোক্কী মশান্না অসিদসু স্পোন্সরশিংনা থৱায় হকচাং য়াওবীরবদি মণিপুরদগী অফবা শান্নরোয় মশীং হেন্না পুথোকপা ঙমগনি হায়না থমখি। থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট বাসুদেব অমদি চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর এল বসন্ত শর্ম্মা অমদি অতোপ্পা এগজিক্যুটিভ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## সিনাম দেৱান লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

থৌবাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন থৌবালগী ফাউন্দর জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা অদুগা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লম্বা থৌবাল কিয়াম সিফাইদগী ওজা সিনাম দেবান মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসন থৌবালগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপা চেরোল অমদা ওজা অসিনা লৈখিদবদা মপৃগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি। লোয়ননা ওজা সিনাম দেৱানগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# পি য়ু সী (এ) কাইরংনা মিনি গর্লস অদুগা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমনা মিনি বোইজকী টাইটল ফংখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): মিনি গর্লসকীদা পি য়ু সী এ কাইরংনা আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাংবু মায়থীবা পীদুনা অমদি মিনি বোইজদা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমনা পি য়ু সী (এ) কাইরংবু থোইদুনা ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফেয়র লাইব্রেরি য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা পাঙথোকপা সেপাক টাক্রো টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ২০শুবা মিনি গর্লসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা পি য়ু সী (এ) কাইরংনা আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাংবু সেট ২-০দা ২১-১০, ২১-১৩দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ২০শুবা মিনি বোইজকী ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমনা পি য়ু সী (এ) কাইরংবু ২১-১৪, ২১-১৯দা থোইদুনা টাইটল লৌখি। লোয়ননা জুনিয়র গর্লসকীদা সাই আর সী (এ)না সাই আর সী (বি)বু থোইরগা মকোক ওইখি।

# ব্রাজিল টুরদা ৱাখলগী পাঙ্গল লৈবা চঙই : স্বিতি

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী মরুওইবা দিফেন্দর অমা ওইরিবী ঙাংবম স্বিতিনা ব্রাজিলদা চৎকদৌরিবা টুর অসিদা টিম অসিগী শান্নরোয় পূম্নমক্না ৱাখলগী পাঙ্গল লৈবা চঙই হায়না ফোঙদোকখ্রে।




মথংগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ব্রাজিলদা লৈবাক অদুগা লোয়ননা চিলি অমসুং ভেনিজ্যুএলাগা থা অসিগী লোইশিল্লকপদা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমদা শান্নগদৌরিবনি।

ৱাফমশিং অসি মহাক্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন টিভিগা অখন্ননা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। মালেমগী ফুটবোলদা ব্রাজিল হায়রগা মীয়াম্না খন্থবা তৌদনা মশক খঙলিবা টিম অদুগা শান্নবা হায়বসি অরায়বা ওইরোই। মদুনা টিম অসিগী শান্নরোয় খূদিংমক্না থাক ৱাংবা শান্নরোয়শিংগা মায়োক্লবদা ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈবা মথৌ তাই হায়খি। ব্রাজিলগী টিমদা মার্টা হায়রগদি নুপীগী ফুটবোলদা লম্বা লৈতে হায়না লৌনরিবনি। মহাক্না এটেক চথরকপদা মপূং ফানা থিংবা ঙম্ননবা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা অকনবা মওংদা শেম শাদুনা লৈরি। মমাংদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা লৈবাক তরুক্তা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচশিংদা ফজবা ঙমখি।

## দি য়ু সীনা এস ৱাই দি এবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১১ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা লম্বাময়ুম মেমচা দেবী সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসিগী মেটচতা দি য়ু সী চরাংপাৎনা এস ৱাই দি এ অথোকপমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় ফাগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ৩০শুবা মিনটতা দি য়ু সীগী জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ সাগরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং টিম অদুমক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৮ এম অরুনদাসনা ৩১ শুবা মিনটতা টিমগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। এস ৱাই দি এ অথোকপমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরিঙৈ নাম্থোরকপা বোল অমদা দি য়ু সীগী কে ঐচ সাগরনা মহাক্কী ২শুবা পাঞ্জল অদু ৩৭শুবা মিনটতা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

HL-B/7271/12-21/11




HL-P/0468/27 Oct. to 26 Nov.



HL-P/513/29/10-13/11


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 286**



IM Perez, Maximiliano (2417) - WIM Michelle Catherina, P (2176)
Titled Tuesday 21st July chess.com INT (6), 2020.07.21

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Nf6 4.d3 h6 5.O-O d6 6.c3 g6 7.Re1 Bg7 8.a4 O-O 9.Nbd2 Be6 10.Bxe6 fxe6 11.Qb3 Qc8 12.d4 exd4 13.cxd4 Kh7 14.d5 exd5 15.exd5 Ne5 16.Nxe5 dxe5 17.Rxe5 Ng4 18.Re2 Qf5 19.Nf3 Rae8 20.Rxe8 Rxe8 21.h3...

**QUESTION :**
Black to Win

**Puzzle 285 Ans. :**
29. ...Re7 30. Ra8+ Kg7 31. Rxg6+ The white rook captures Black's knight, which was defending square h8. hxg6 32. Qf6+ Kh7 33. Rh8# Opera mate Killbox mate 33. Qh8# Highstriker mate Damiano's rook mate 30. Ra8+ Kg7 31. Rxg6+ fxg6 32.Qf8# 1-0




HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com